# রুৱান্দাগী জেনোসাইদতা চেন্নবশিংগী মনুংদা অমা ফারে সর্বাইবরশিং অমসুং য়ুএননা হরাওবা ফোঙদোকখ্রে

**কিগালি, মে ২৬ (এজেন্সী):**

কুমজা ১৯৯৪ দা থোকখিবা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী থৌদোক্তা চেন্নবদগী ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা সস্পেক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফুলজেন্স কায়িসেমা ফাখিবগা লোয়ননা রুৱান্দাগী জেনোসাইদ সর্বাইবরশিংগীওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা অম্ব্রেল্লা বোদি (আই বি য়ু কে এ) না খোঙথাং অসিবু তরাম্না ওকখ্রে।



কুমজা ২০০১ দগী কোইরোৎ লোৎতুনা লৈরকখিবা কায়িসেমা হৌখিবা য়ুমশকৈশগী নুংথিলদা সাউথ অফ্রিকাগী পার্লদা চথুখিবা জোইন্ট ওপরেসন অমদা ফাখিবনি হায়না ইন্টরনেসনেল রেসিদ্যুল মেকানিজম ফোর ক্রিমিনেল ট্রাইবুনেলস (আই আর এম সি পি) না শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরল্লি।

আই আর এম সি পিগী চীফ প্রোজিক্যুটর ছর্স বর্মেসনা হায়, ফুলজেন্স কায়িসেমা চহী ২০ হেন্না মিচেল অমা ওইদুনা লাকখি। মহাকপু ফাবা অসিনা মহাক্লা চথুখিবা ক্রাইমশিং অদুগা মরী লৈননা মমৈথংদা মহাক জষ্টিস শোয়দনা মায়োক্লহল্লগনি।

আই বি য়ু কে এগী একজিক্যুটিব সেক্রেটরি নপতাল অবিসাকিয়েনা হায়, টুটসিশিং পাক্তক্লনা হাৎপদা মহাক্লা হকথেংননা থৌদাং লৌখিবদু য়েংলগা কায়িসেমাবু ফাবগী খোঙথাং অসি তরাম্না ওকই। মশামক হান্না প্রোজিক্যুটর অমা ওইরম্বা কায়িসেমা অসি জেনোসাইদ অদুদা মরু ওইনা মিয়াঙ্গে চর্চতা টুটসি রিফ্যুজি ৫০০০ হেন্না হাৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি।

কায়িসেমা অমসুং অতৈ কয়ানা বুলদোজর অমা শীজিন্নরগা চর্চ অদুবু থুগায়খিবদা মনুংদা রিফ্যুজিশিং অদু অকায় অতোইশিংনা ফুমখিবনি। চহী কয়া কোইরোৎ লোৎতুনা লৈরক্লবা মতুংদা ফাদুনা মহাকপু জষ্টিস মায়োক্ল হনগদৌরিবা অসিনা সর্বাইবরশিংগী ৱাখল ইংহনবদা মতেং ওইরগনি হায়না অবিসাকিয়েনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

আই বি য়ু কে এনা রুৱান্দাগী মপানদা ফারবা জেনোসাইদকী সস্পেক্ট পুম্নমক লৈবাক অসিদা ৱায়েল চথুনবা এক্সট্রাদিসন তৌহনবা পাম্মী। মসিনা সর্বাইবরশিংবু ৱায়েলগী প্রোসিদিংস মমিৎমক্লা উহনগনি। জষ্টিস মখা তানা থিন্থহন্দনবা জেনোসাইদতা চেন্নবশিং অদু থুনা ৱায়েল চথুনবসু মহাক্লা আপিল তৌখি।

কুমজা ২০০১ দা কায়িসেমাবু তোঙান তোঙানবা জেনোসাইদকী চার্জশিং অমসুং জেনোসাইদ শৌগৎপগীদমক হৌজিক্তি দিফঙ্ক ওইরবা ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল ট্রাইবুনেল ফোর রুৱান্দানা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখ্রবনি। মহাক্কী মরাল শীবগী ৱারোল অদুদা কুমজা ১৯৯৪ গী এপ্রিল ১৫ দা কায়িসেমা অমদি অতৈ মীওই খরনা কিবুকাম্যুনগী মিয়াঙ্গে চর্চতা লৈবা নুপা, নুপী, অহল ওইরবা, অঙাং রিফ্যুজি ২০০০ হেন্না হাৎখি হায়না পনখি।

সাউথ অফ্রিকাদা রুৱান্দগী জেনোসাইদতা চেন্নবা ফুলজেন্স কায়িসেমাবু ফাখিবগী খোঙথাং অসিবু য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনসু তরাম্না ওকখ্রে।

কায়িসেমাবু ফানবা হোৎনবদা ইন্টরনেসনেল রেসিদুয়েল ফোর ক্রিমিনেল ট্রাইবুনেলস অমসুং সাউথ অফ্রিকান ওথোরিটিশিংগী মরক্তা কো ওপরেসন পীনখিবদু গুটরেজনা থাগৎখি হায়না য়ুএন চীফ অসিগী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিক্লা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি।

# ‘শ্রী লঙ্কানা চাইনাগা সেক্যুরিটি এরেঞ্জমেন্ট অমত্তা য়ানবা লৈতে’

**কলম্বো, মে ২৬ (এজেন্সী):**





এসিয়াগী লমদমদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা অমসুং লৈবাক পুম্নমক্কী মরক্তা দাইলোগ চথহন্নবা হোৎনবদা জপাননা লৌখৎলক্লিবা কো ওপরেসন পীনবগী খোঙথাংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা শগোলশেল নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি এসিয়াদা পিছ অমসুং কো ওপরেসন লাকহন্নবগী অনৌবা ফ্রেমৱার্ক অমা লিংননবা মায়কৈদা থাংলকপা অহানবা খোঙথাং ওইনা জপান, চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং অসিয়ননা মখোয়গী মরক্তা দাইলোগ অমা চথুবা হৌগদবনি অমসুং মদুগী মতুংদা অতৈ এসিয়াগী লৈবাকশিংগা দাইলোগ চথুগদবনি।

টোকিওদা পাঙথোকখিবা ‘নিকৈ ফোরম: ফ্যুচর ওফ এসিয়া’ দা ৱা ঙাঙবদা মহাক্লা মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৬০ লৈরিবা এসিয়া অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমিক জোন ওইনা য়াম্না মরু ওই অমসুং কন্টিনেন্ট অসিনা মালেমগী গ্রোঠতা চাওনা কন্ট্রিব্যুট তৌই।

কলম্বোদা প্রসিদেন্টগী মেদিয়া দিভিজন (পি এম দি) না ফোঙবা মপুং ফাবা স্পিচ অদুগী মতুং ইন্না ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা মহাক্কী ৱারোলদা গ্লোবেল ষ্টেজতা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু এসিয়াগী গ্রোঠ লেপ্পোই হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, মদুদি চাইনাগী রিকোভরি অমসুং ইন্দিয়াগী য়াম্না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা দোমেষ্টিক দিমান্দ অসিনা লমদম অসিগী গ্রোঠতা মপুং ওইনা মতেং ওইগনি। এসিয়াদা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী এদভান্স ইকনোমিশিংসু লৈদুনা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টশিং অমসুং টেক্নোলোজি ট্রান্সফরশিংগী খুথাংদা লমদম অসিগী দিভলপমেন্টদা কন্ট্রব্যুট তৌরি।

এসিয়াগী লমদমদা য়ুএস অমসুং চাইনাগী মরক্তা অমগা অমগা মুক্লবা অমদি হিদান্নবগী মতাংদা পল্লদুনা ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়খি, মদুদি এসিয়াগী লৈবাকশিংনা পার্টি অনীমক্কী অমগা অমগা হিদান্নবা অমদি মুক্লবদগী লাকপা প্রেসরশিং মতম পুম্নমক্তা মায়োক্লবা পামদে।

এসিয়াদা লৈরিবা ঐখোয়না য়ুএস অমসুং চাইনাগী মরক্তা ঐখোয়গী অপান্বা খনবগী ফিভম অদু পামদে। ঐখোয়গী চৌইসতি এসিয়া ওইবনা এসিয়াগী লৈবাক অয়াম্বনা লৈবাক অনীসিগী মরক্তা অপান্বা অমা খনবা পাম্লদ্রিবনি হায়খি।

# ট্রুস চৎনরবসু মরক মরক্তা খার্তুমগী মফম খরদা আর্মি অমসুং আর এস এফকী মরক্তা খুৎ থোক্লরি

**খার্তুম, মে ২৬ (এজেন্সী):**

নুমিৎ তরেৎনিগী ওইবা সিজ ফায়র অমা চৎনরিবা ওইরবসু সুদানগী কেপিটেল খার্তুমদা আর্মি অমসুং রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) কী মরক্তা মফম খরদা মরক মরক্তা খুৎ থোক্লরি।



শগোলশেল নুমিত্তা ওম্দুরমান সিটি অমসুং কেপিটেল খার্তুমগী খা থংবা শরুক্তা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি হায়না অউবা মীওই কয়াগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি।

মখোয়গী মতুং ইন্না খার্তুম অমসুং বহারি টাউন (খার্তুম নোর্থ) কী মফম খরদা সুদানিষ্ট আর্মিগী ৱার প্লেন পায়খি অমসুং মদুগী পাউখুম ওইনা আর এস এফনা এন্টি-এয়রক্রাফট মিসাইলশিং কাপখি। শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা সুদানিষ্ট আর্মিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখিবদা আর এস এফনা মিলিটরি বেটচ অমদা চথুরকখিবা এটেক আর্মিনা মায় পাকহনখিদে অমসুং এটেক্করশিং মনিং হলহনখি।

আর এস এফকী থৌওং অদু হৌজিক চৎনরিবা ট্রুস থুগায়বগী ময়েক শেংলবা খুদম চাংদম অমনি। য়েক্লবগী গাড়ী তরুক মখোয় চেনখ্রবা মতুংদা সিজ তৌখি।

নন-গভর্ণমেন্টেল বোদি অমা ওইরিবা সুদানিষ্ট ডাক্তর্স য়ুনিয়ননা হায়রিবদি হৌখিবা এপ্রিল ১৫ দগী হৌখিবা নাকল অনীগী লান অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮২৫ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ৩,৬৩৪ অশোক অপন নঙখ্রে। সুদানগী ফিভমগী খ্বাইদগী নৌবা অপদেটতা ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন (আই ও এম) না হায়রি, মদুদি কনফ্লিক্ট অসিনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা লাঞ্জেনহনখিবা মীওই ৩২০,০০০ রোম য়াওনা পুন্না মীওই মিলিয়ন ১.৩৬ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রে।

মে ২০ দা সুদানিষ্ট আর্মি অমসুং আর এস এফনা সাউদি অরাবিয়াগী পোর্ট সিটি জেদাদা নুমিৎ তরেৎনিগী সিজ ফায়র অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন এরেঞ্জমেন্টশিংগী এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবনি। সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুএসনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা এগ্রিমেন্ট অদু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ তাবদা চৎনবা হৌখি। দিল অদুগী মতুং ইন্না পার্টিশিংনা সিভিলিয়নশিং লৈবাক্কী মফম খুদিংমক্তা অয়েৎ অপন থোকহন্দনা চথোক চৎশিন তৌবা য়াহনবগা লোয়ননা মখোয়বু হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংনা শোকহন্দনবা প্রোটেক্সন পীগনি।

# ইরাননা অফঘানিষ্টানগী ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্ট রিককনাইজ তৌদে

**টেহরান, মে ২৬ (এজেন্সী):**

ইরাননা অফঘানিষ্টানগী ক্যের টেক্কর টালিবান গভর্ণমেন্ট রিককনাইজ তৌদে অমসুং মহাক্কী লৈবাক্লা অফঘানিষ্টানদা ইনক্লুসিব গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা তকশিন্দুনা লৈ হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দোলাহিয়ন্না লৈবাক অসিগী দিপ্লোমেটিক পর্সনেলশিংনা শরুক য়াখিবা মীটিং অমদা ৱা ঙাঙবদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অফঘানিষ্টানগী ইনক্লুসিব গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদবগী ফিভমদা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মীফম অদুদা টালিবান অসি অফঘানিষ্টানদা হৌজিক থোক্লিবা অশেংবা থৌদোকশিংগী শরুক অমনি মসিনা পুম্নমক ওইবদি য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমির-অব্দোলাহিয়ননা মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌখিবা থা খরা অসিদা অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা কম্মন বোর্দর পরিংদা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি নুংনাংনিংঙাই ওই।

নাকল অনীগী মরক্তা য়েৎনবগী অতোপ্পা মরম অমদি হিমন্ট তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবগী অপুনবা রাইটশিংগী ৱাফম অসিনি। দ ইরানিয়ন স্পেস এজেন্সিগী স্পোক্সমেননা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা সেটলাইট ফোটোশিংনা টালিবাননা তুরেল অদুগী রুটতা অহোংবা কয়া লৈহল্লে হায়বসি উৎখি। টালিবাননা তৌরিবা থৌওং অদুনা তুরেল অদুগী ঈশিং ইরান য়ৌহন্দে।

হৌখিবা চয়োলদা টালিবান গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইরাননা ঈশিংগীদমক্তা তোইনা হায়জবা অমসুং মেদিয়াদা মরম চাদবা কম্মেন্টশিং পীবা অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীদা শোক্লিংঙাই ওইবা মরম অমনি হায়খি।

# পুলিসনা চহী ১১ গী নুপামচা অমদা নোংমৈনা কাপ্পগী থিজিনবা হৌখ্রে

**ৱাশিংতন, মে ২৬ (এজেন্সী):**

পুলিস ওফিসর অমনা চহী ১১ গী নুপামচা অমদা নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক অমগী মতাংদা য়ুএসকী মিসিসিপি ষ্টেটকী ওথোরিটিশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে।



মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নুপামচা অদুনা ৯১১ দা কোল তৌদুনা মতেং নিরকখিবা মতুংদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মিসিসিপি ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী মতুং ইন্না মে ২০ গী অয়ুক্তা অদেরিয়ন মুরি কৌবা নুপামচা অদু ইন্দিয়ানোলা পুলিস দিপার্টমেন্টগী কাঙবু অমনা মথবাক্তা নোংমৈনা কাপখি। মদু অঙাং অদুগী য়ুমদা থোকপনি হায়বা থৌদোক অমগা মরী লৈননা তৌরকখিবা কোলগী রেস্পোন্সতা মফম অদুদা চঙশিনবদা থোকখিবনি।

নোংমৈ কাপ্পদুনা মরম ওইদুনা নুপামচা অদুগী লং কলান্স তৌখি অমদি মহাক্কী রিবশিং অতেক অকায় থোকপগা লোয়ননা লিভরদসু শোকখি। প্রোপ লোঞ্চ তৌরে হায়বসি কনফার্ম তৌরদুনা মিসিসিপি ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এম বি আই) না হায়রিবদি থৌদোক অদুদা ওফিসর অমত্তা অশোক অপন নঙখিদে। য়ুমদুদা লৈরম্বা চহী নৌরিবা মীওই অমা খরা থিনা শোকপদগী লোকেল হোস্পিটাল অমদা পুখি।

এম বি আইনা হৌজিক থৌদোক অসিগী মরমদা থিজিল্লি অমসুং ইভিদেন্স খোম্বগী থবক চথুরি। ইনভেষ্টিগেসন লোইশিল্লবা মতুংদা এজেন্টশিংনা মখোয়গী ফাইন্দিংশিং এর্টোনি জেনরেলগী ওফিসতা পীশিনগনি। এজেন্সিনা মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

চৈরকসিদা ভিক্তিমগী ইমুংগী উকিল কার্লোস মুরনা নোংমৈনা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নরিবা মুরি হোস্পিটালদগী রিলিজ তৌরবা মতুংদা হকচাংগী ফিভম ফগৎলক্লে, তৌইগুম্বসুং মহাক মেন্টল ট্রোমা লৈবদগী কাউন্সেল্লিং মথৌ তাগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা সি এন এনদা মুরনা হায়খি, মদুদি ৯১১ কোল অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা টার্গেট তৌরিবা নুপামচা অদু ওফিসরশিংনা মপুং মরৈ ফারবা মীওই অমনি হায়না লান্না উবা য়াবগী মরম অমত্তা লৈতে। ওফিসরশিংনা অঙাং অদু ফিট ৬ হেন্না ৱাংবা নুপানি হায়রিবদু লাল্লি। চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবা অঙাং অসি ফিট ৪ গা ইঞ্চি ১০ দমক ৱাংনা উই।

মরম অদুনা মহাকপু উবদা মপুং মরৈ ফারবা মীওই অমা ওইরমগনি হায়বগী চমম্নবা পোক্লিংঙাই লৈতে। নুপামচা অদুগী মমা নিকালা মুরি, মুর অমসুং অতৈ কয়ানা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ইন্দিয়ানোলা সিটি হোলদা সিট-ইন প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখি।

# থাঙ অমসুং নোংমৈগী এটেক্তা মীওই মরি শিখিবগা মরী লৈননা জপানগী পোলিটিসিয়ন অমগী মচানুপা ফারে

**টোকিও, মে ২৬ (এজেন্সী):**

জপানগী নকানো প্রিফেকচরদা থোকখিবা মীওই মরিগী পুন্সি লোমখিবা থাঙনা থিন্দুনা অমসুং নোংমৈ কাপ্তুনা চথুখিবা এটেক অমগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা লোকেল জপানিস পোলিটিসিয়ন অমগী মচানুপা ফারে হায়রি।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রিবদি পুলিসনা সস্পেক্ট অদু নকানো সিটি এসেমব্লিগী স্পিকরগী মশাগী চহী ৩১ শুরবা মচানুপা মসানোরি ওকি কৌবা মীওই অসিনি হায়না আইদেন্টিফাই তৌখি। শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.২৫ রোম তাবা মতমদা নকানো সিটিদা নুপা অমনা নুপী অমবু থাংনা থিনবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ইম্মর্জেন্সি কোল অমা লোকেল পুলিসতা লাকখি।

লোকেল পুলিসকী মতুং ইন্না থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিনখিবা ওফিসর অনী নোংমৈনা কাপ্পগা হাৎখি। মফম অদুদগী চেল্লবা মতুংদা সস্পেক্ট অদু মহাক্কী অপোকপগী নকানো সিটিগী রেসিদেন্সিএল এরিয়া অমদা লৈবা য়ুম মনুংদা পুং কয়া লোৎতুনা লৈখি। ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা লোকেল পুলিসনা থৌদোক থোকফম অদুদা মরিশুবা মীশক ওইরিবী অহল ওইরবা নুপী অমা শিরে হায়বসিসু কনফার্ম তৌখি।

মহাক এটেক অদুদা অশোক অপন নঙখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক শগোলশেল নুমিত্তা থৌদোক থোকফম অদুগা নক্লনা লৈবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী ফিভম চপ চানা খঙখিদবনা মরম ওইদুনা য়াম্না থুনা হোস্পিটলাইজ তৌখিদবনি। এটেক অদু করিগীদমক্তা চথুখিবনো হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি।

বি বি সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা চহীগী জুলাইদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবে হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রবসু জপানদা নোংমৈ শীজিন্নদুনা মী হাৎপগী থৌদোক অসি য়াম্না তাঙনা থোকই হায়না খন্নে।

পুলিস ওফিসর কয়াদা নোংমৈ কাপ্তুনা এটেক তৌবগী থৌদোক্লা হেন্না লৈবাক অসিদা তাঙনা থোকই। কুমজা ১৯৯০ দা অসিগুম্বা ইকোন কোনবা থৌদোক অমা থোকপা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা ওফিসরশিংবু নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক থোকপা লৈত্রি। মমাঙগী থৌদোক অদুদা ওকিনৱা প্রিফেকচরদা গেঙ মেম্বরশিংনা ওফিসর অনী নোংমৈনা কাপখিবনি। কুমজা ২০১৪ দা জপানদা নোংমৈনা কাপ্তুনা মী শিবগী থৌদোক তরুকখক থোকখি।

অমরোমদা, চহী অসিদা য়ুএসতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা পুন্না মীওই ৩৩,৫৯৯ শিখি।

# নমথাক তৌদুনা লুপা ক্রোর ৩১ পীহনবগা মরী লৈননা সিঙ্গাপোরদা ইন্দিয়ন অমা জেলগী চৈরাক পীখ্রে

**সিঙ্গাপোর, মে ২৬ (এজেন্সী):**

সিঙ্গাপোরদা ইন্দিয়ন নেসনেল অমা নমথাক তৌদুনা মহাক্কী এমপ্লোয়রবু মহাক্লা মরী লৈনবা কম্পেনিশিংদা এস জি দোল্লর ৫.১ (লুপা ক্রোর ৩১) পীহনখিবগা মরী লৈননা থা ৩০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।



কন্সট্রক্সন ফার্ম অমদা এসিষ্টেন্ট সিপ্পিং মেনেজর অমা ওইনা থবক তৌবা মশাগী চহী ৪৭ শুরবা হুসাইন নাইনা মোহমদনা মহাক সিঙ্গাপুর দোল্লর মিলিয়ন ২.৫ হেনবগী নমথাক্কী চার্জ মাপনদা মরাল লৈরে হায়বসি শগোলশেল নুমিত্তা য়াজখি।

মসিদা নত্তনা মহাক্লা অরানবা মওংদা তানখিবা শেনফমশিং অদুগী শরুক খরা সিঙ্গাপুরগী ৱাংমদা থাদোকখি হায়বসিসু মীওই অসিনা য়াজখি। সেন্টেন্স হিয়ারিং মনুংদা লেমহৌরিবা শেনফমশিংগা মরী লৈনবা অতৈ চার্জ ১৬ সু খন্নখি।

হুসাইননা ইনভেষ্টিগেটরশিংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্লা শেনফম অদু মহাক্কী অহল লমনশিংগী য়ুমগী চাদিংশিংদা শীজিন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াদা থাখি। পেমেন্টশিং অদু কুমজা ২০০৯ অমসুং কুমজা ২০১৯ গী মরক্তা থোকখিবনি।

মহাক্লা অসুম্না নমথাক তৌদুনা শেল লৌথোক্লগা মপানদা থাদোকখিবা অদুনা মহাক্লা কুমজা ২০১৯ গী জনুৱারী ফাওবা থবক তৌখিবা অল্ট্রাকোন কোওপরেসনগী শেল য়ামদ্রবদা সিঙ্গাপুর দোল্লর ৫০০,০০০ মাঙহনখি।

মথক থোংবশিংদা বেন্দর রিকমেন্দসনশিং পীবগী রেস্পোন্সিবিলিটিশিং পায়রিবা হুসাইননা মহাক্কী এমপ্লোয়রদা মহাক অল রহামন এন্টরপ্রাইজেস এন্দ ট্রেদিং (অরেট) কৌবা কম্পেনি অমগী পার্টনরনি হায়বসিসু খঙহনখিদে। মশামক পার্টনর অমনি হায়বসি এমপ্লোয়রদা খঙহনবগী মহুত্তা মহাক্লা অরেট অমদি মহাক্কী অপোকপগী ফার্মবু মেরিন ইন্সুরেন্স, ফ্রাইট সার্ভিসেস অমসুং প্লাষ্টিক কম্পোনেন্টশিংগী ওইনা মহাক্কী এমপ্লোয়রগী বেন্দর ওইনা রিকমেন্দ তৌখি।

# প্লেনগী থোঙ হাংবগীদমক দিটেন তৌখ্রে

**সিওল, মে ২৬ (এজেন্সী):**

ইরাই নুমিত্তা মীওই ১৯৪ তোংবা এসিয়ানা এয়রলাইন্সকী প্লেন অমগী থোঙ চিংথখিবা মীশক্লি হায়না চিংনবা পেসেঞ্জর অমা সাউথ কোরিয়ন পুলিসনা দিটেন তৌখ্রে। এয়রক্রাফট অদুনা দেগু ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌরমদাইদা মীওই অদুনা প্লেন অদুগী থোঙ অদু চিংথখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরল্লি।

এয়রপোর্ট ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না জেজু ঈথৎ থাদোক্লগা প্লেন অদুনা কেপিটেল সিওলগী খারোমদা কিমি ২৩৭ রোম লাপ্পা লৈবা দেগু পাঙনা পায়রিঙৈদা একজিটকী থোঙ অদু খঙহৌদনা হাংলকখি। প্লেন অদু মদুগী মতুং মতম ঈশাং শাংনা কান্নদনা প্লেন অদু লেন্দিং তৌখি। পুলিসকী মতুং ইন্না সস্পেক্ট অদুনা থোঙগী লিভর চিংনবা হোৎনরকখিবদা ফ্লাইট এটেন্দেন্টশিংনা মহাকপু অথিংবা পীবা ঙমখিদে।

মরোল থোকপা লাই





পণ্ডিট দিন দয়াল উপধ্যায়া নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর পার্সন্স ৱিঠ দিসএবিলিটিস (দিভয়াংজান)
অন্দর দিপার্টমেন্ট ওফ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পি দব্লিয়ু দিস (দিভয়াংজান)
মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট
৪, ভিষ্ণু দিগম্বর মার্ক, ন্যু দিল্লি - ১১০০০২
ভেকেন্সি নোটিস (এদভর্টিজমেন্ট নং. ২/২০২৩)

লক্ষ্নৌ (উত্তর প্রদেশ) অমসুং শ্রীনগর (য়ু টি ওফ জে এন্দ কে) দা লিংবা কম্পোজিট রিজনেল সেন্টর ফোর স্কিল দিভলপমেন্ট, রিহেবিলিটেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিঠ দিসএবিলিটিস (দিভয়াংজান) গী দিপ্যুটেসন/কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌগদবা দিরেক্তরগী ফমগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি।

| সে. নং. | পোষ্টকী মিং | পোষ্টকী মশিং | রিক্রুটমেন্টগী মওং | পে মেট্রিক্স লেভেল |
|---|---|---|---|---|
| ১. | দিরেক্তর | অনী (০২) | দিপ্যুটেসন/ কন্ট্রেক্ট | দিপ্যুটেসন: পি.এম.এল.-১২<br>কন্ট্রেক্ট: চাদা ৩ গী চাংগী চহীগী ইনক্রিমেন্টগী প্রোভিজনগা লোয়ননা থাগী কন্সোলিদেটেদ রিম্যুনেরেসন ওইনা লুপা ৯০,০০০/- |

এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ এদভর্টিজমেন্ট অসি এমপ্লোয়মেন্ট পাউচেদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৪৫ নিগী মনুং। অরোইবা তারিখকী মনুংদা ফঙবা নত্ত্রগা মপুং ফাদবা এপ্লিকেসনশিং খন্নরোই। অহেনবা অকুপ্পশিংগীদমক ঐখোয়গী ৱেব সাইট www.pdunippd.in অমসুং www.iphnewdelhi.in দা ভিজিট তৌবীয়ু। করিগুম্বা অশোয়বা চুমথোক্কদবা লৈরবদি ৱেবসাইট অসি খক্তদা ফোঙগনি।

দিরেক্তর
(পি দি য়ু এন আই পি পি দি)

CBC 38103/12/0005/2324

HL-P/6740/27

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTURE: MANIPUR
NOTIFICATION
Date, the 24th May' 23

No. AGM-1/526/SMAM/2022-23: It is inform /notify that the approved/selected list of beneficiaries under SMAM 2022-23, 1st instalment are available in the notice board of the Directorate of Agriculture Department. **Further, beneficiaries against whose name, number and name of Firm/Dealer given may purchase the machineries/equipment from the same Firm/Dealers.**

The Selected list of beneficiary can also be obtained from Department website **www.agrimanipur.gov.in** and selected beneficiaries are advised to submit their purchase documents like **money received, tax invoice copy of Bank slip/RTGS slip or cheque deposit slip etc. by hard copy/soft copy/e-mail (masmam2018@gmail.com) during the office hour** to availed the benefit of subsidy assistance.

Sd/-
N. Gojendro
Director of Agriculture
Manipur